**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-11-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুগা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-খন্ন-নৈননবা অদুদা রাজ্য অসিদা কেন্দ্রগী শেন্থং মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী ফন্দ নীংথিনা শিজিন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-তোঙান তোঙানবা লমশিংদা চাউখৎনবগীদমক গ্রান্ট ইন এদ পীনবসু প্রস্তাব তৌখি। রাজ্য অসিদা শেল থুমগী লমদা অওনবা অমা পুরকবা পান্দমদা অখন্নবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ডাক্তর অরবিন পানাগরিয়ানা লুচিংবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎশিংগা অতৈ ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

মীফম অদুদা রাজ্য সরকারগী মায়কৈদগী পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, শিক্ষা মন্ত্রি-টি.ঐচ. বসন্তাকুমার সিংহ, কঞ্জুমর এফিয়ার্স মন্ত্রি-এল. সুসিন্দ্রো, সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগো, ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-খাশিম বাশুম, চীফ সেক্রেটরি-বিনিট যোসি শরুক য়াখি।

**কম্মিসন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌজিক লৈরিবা ১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসন অসিবু লুচিংলিবা অরবিন-পানাগরিয়ানা হায়-কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি, মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দল, চীফ সেক্রেটরি অমদি রাজ্য সরকরগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নরে।

ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা পানাগরিয়ানা হায়-মীফম অদুদা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগী মতাংদা কুপা খন্নবগা লোয়ননা গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি.এস.দি.পি) গা মরী লৈননা তৌরিবা চাদিং, ফিসকল দিফিজিত অমসুং জি.এস.দি.পিগী শেন্দোইগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।মহাকা হায়-মীফম অদুদা লাক্লিবা চহি খরা অসিদা ওইগদবা শেল থুমগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি।

১৬ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মীহুৎ কাংবুনা হয়েং বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎকনি। মীহুৎ কাংবু অসিনা মোইরাংদা হেক থুংবগা আই.এন.এ. হেদক্বাটরদা চংদুনা য়েংগনি। মদুগী মতুংদা আই.এন.এ. ৱার ম্যুজিয়ম য়েংগনি। মোইরাং খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা মরি লৈনবা বিভাগশিংনা শেম শাবগী থবক লোয়শিল্লে অমদি সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

**ফালকোন (এল)ঃ** তমেংলোংদা ঙসি জিলা অদুগী ফোরেষ্ট দিভিজন, এফ.দব্লিউ.আই.আই দেহরাদুনগী সাইন্তিষ্ট ডাঃ শুরেশকুমার অমদি মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা অমুর ফালকোন ১১ থাদোকখ্রে। ১১ অদুগী মনুংদা অমুর ফালকোন অনিদা সেটেলাইট ট্রান্সমিতর হাপখি।

অমুর ফালকোনশিং অদু তমেংলোংগী চিয়ুলুৱন খুলদগী তমেংলোংগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার খরিবম হিটলরনা লুচিংদুনা থাদোকখিবনি। থৌরম অদুদা জিলা অদুগী আর.এফ.ও- জৱেল গাংমৈ, রেন ফোরেষ্ট ক্লব তমেংলোংগী মেম্বরশিং অমসুং ফোরেষ্ট দিভিজন তমেংলোংগী ষ্টাফশিং শরুক য়াখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** দা: চাম্বো গোনমৈনা মনিপুর হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তর ওইরকপদা এস.টি. মোর্চা, বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসনা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অমদা এস.টি. মোর্চাগী প্রসিদেন্ট-লংজাইগাই কামৈনা হায়-ডা: চাম্বো গোনমৈনা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ওইরকপা অসিনা খুঙ্গং অমসুং সহরগী মরক্তা লৈরিবা হকশেলগী অহোবা অদু মেনশিনবা ঙম্লগনি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** কংগ্রেস দলদা নৌনা চংল্লকপা মীওই কয়া ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি কংগ্রেসতা য়াওরকখ্রবশিংগী মনুংদা হান্নাগী এম.এল.এ. ডা: কে.ঐচ. লোকেন অমসুং জেট কিখোনবাউ ন্যুমাই য়াওরি। মখোয় অনিগা লোয়ননা মীওই ১০ সু দল অসিদা য়াওরকখ্রে। কংগ্রেসতা নৌনা চংল্লক্লবা মীওইশিংবু এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্র, সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী অমদি সি.ডব্লিয়ু.সি. মেম্বর-গাইখাঙমনা তরামা ওকখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা ঙসি ফাওবদা দেঙ্গিনা নাবা মীওই অমত্তা থেংনদ্রি। মরম অদুনা মীয়ামা মীপায়বা পোকপীদনবা দিষ্ট্রিক্ট মেলারিয়া ওফিসার জিরিবাম-ডা: এন.জি. বেম্বেমনা হায়রি।

অকাশবানি ইম্ফালগী জিরিবাম পাউমীগা অখন্ননা উন্নবদা ডা: বেম্বেমনা হায়-চহি অসিগী জ্লাই থাদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ষ্টাফশিং অমসুং অঙ্গনৱারী ৱাকরশিংনা লৈকাই লৈকাইদা চৎতুনা লায়না অসিগী মতাংদা মীয়ামবু গ্যান তাহনবগী থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। মহাকা হায়-কাং মচা পোকপা য়াবা মফম কয়া খঙদোক্তুনা মাঙহন্নবা হোৎনবা অমসুং রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং নাদনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। জিরি মীয়ামনা মীপায়বা পোকপীদনবা আপিল তৌদুনা ডা: বেম্বেমনা হায়-ইশা ইশানা চেকশিনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফাবা পাম্বেনি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা

চথখিবা থিবা হুম্বগী থবক্তা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক ককচিং দিভিজনদা মীওই অমা, সুগ্ সব দিভিজনদগী অনি, থৌবাল দিভিজনদগী অমা, মোইরাং সব দিভিজনদগী অমা, কুম্বী সব দিভিজনদগী অমা অমসুং সাইকুল সব দিভিজনদগী মীওই অহুম পুন্না মীওই ৯ ফাগৎলে। ফরবা মীওইশিং অসিগী কনেক্সন ককথৎলে হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা তমেংলোং জিলাদা লৈবা এন.জি.ওশিংগা খুৎশমরগা তানিংজম খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংদা ষ্টেস্নারিগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

মীওই ৩০০ হেন্না লায়েংখিবা অদুদা লেমা হিদাক লাংথকসু পীখি।

**দ্রামা (এল)ঃ** ষ্টেট কালা একাডমী মনিপুর অমসুং লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়ননা পুন্না শিনদুনা মমাং থাগী ১৭ তগী ২৮ ফাওবা লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়ন হোলদা পাঙথোকখিবা ৪৭ শুবা খা মনিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০২৪ গী মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ঙসি দ্রামাতিক য়ুনিয়ন অসিদা পাঙথোকখ্রে। ফেষ্টিবেল অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ঠিয়েটর গ্রুপ ২১ না শরুক য়াখি। ফেষ্টিবেল অদুদা য়ুমজাউ লাইরেম্বী দ্রামাতিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী দ্রামা 'মাইথোংসু, থম্মোইসু' অমসুং কোদোমপোকপী দ্রামতিক য়ুনিয়নগী 'অশেংবা শক্তম) না বেষ্ট প্রদক্সন তারে। ঙসি পাঙথোকখিবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরমদা এম.এল.এ. ডা: য়ুমাম রাধেশ্যাম অমসুং মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমীগী সেক্রেটরি-সুনন্দা থোকচোমনচিংবা শরুক য়াখি।

**হেল্পলাইন (এল)ঃ** সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা চল্লাইরিবা ৱিমেন হেল্প লাইন অমসুং চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর অনিমক টেকিকেলগী ওইবা খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী শিজিন্নবা য়াদ্রে। মীয়ামনা মোবাইল নম্বর-৭০০-

৫৭৭-৬১-৪৪ দা অমসুং ৮১১-৯৯১-৮২৫৭ দা পাউ ফাওবীরকবা বিভাগ অসিগী দাইরেক্তরনা থোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লি।

**আক্রুকো (এল)ঃ** ওল কোংবা রোড য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (আক্রুকো) না স্কুল অমগী হেদ মাস্তর অমবু শকখঙদবশিংনা ফুরুম্বগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

চেরোল অমদা হায়-মহে তম্ফমশঙ মনুংদা চংল্লক্লগা মথৌ তৌরিবা ওজা অমবু ফুবগী থৌওং অসি য়ামা লাইবক থিবনি। মতুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অসি তৌবীদনবা আপিল তৌরক্লি।

**রাস্ত্রপতিঃ** কেন্দ্রগী সরকারগী থৌশিল অমা ওইরিবা শেঞ্জা থুমজা তৌবশিং তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়বা থৌশিল অসিনা লৈবাক অসিদগী শেঞ্জা থুমজা মরু ফংনা মুথৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ফোংদোক্লি।

মহাকা হায়-অমত্তা ওইবা অমসুং অমনা অমবু ইকায় খুমবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনদি চৎন-কাঙলোন অমা ওইরি। ন্যু দিল্লিদা সেন্ত্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসননা শিনদুনা ভিজিলেন্স এৱারনেস ৱিক ২০২৪ গা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাস্ত্রপতিনা হায়-শেঞ্জা থুমজা হায়বসি লায়না অমা ওইরি অমসুং মসিবু মরু ফুকা মুথৎপা তঙাইফদে।

রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিদা শেঞ্জা থুমজা মায়োকনবা সরকার অসিনা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। মসিগী মনুংদা দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফর স্কিম, ই-মার্কেট প্লেস অমসুং ইকোনোমিক ওফেন্দরস এক্টনচিংবা অসিনি। শ্রীমতি মুরমুনা হায়-শেঞ্জা থুমজা তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা খুদক্তা আইনগী ওইবা মতিক চাবা থবক লৌখৎপা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা হায়-শেঞ্জা থুমজা তৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎপদা

থেংথহনবনা মখোয়দা পুকিং থৌগৎপগা চপ মানহনগনি।

**ইলেক্সনঃ** বিধান সভা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা মহারাস্ত্রা অমসুং ঝরখন্দদা রাজনিতি দলশিংনা ভোট খোম্বগী থবক কনশিল্লক্লি। মহারাস্ত্রাদা তাঙ্কক অমখক্তদা থা অসিগী ২০ দা বিধান সভা কেন্দ্র ২৮৮ গী ভোট থাদনগনি।

তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা রেল্লি অমদি রোড সোনচিংবা পাঙথোক্লি। পধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ধুলেদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-লাক্লিবা চহি অনি মখায় অসিদা মহারাস্ত্রাদা চাউখৎপগী খোঙজেল মখা তানা চথখিগনি। শ্রী মোদিনা হায়-মহাক্কী সরকারনা মহারাস্ত্রবু লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা চাউখৎপগী অনৌবা পন্দুপ অমদা পুনবা হোৎনগনি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা মহা য়ুতি চুংশিন্নবা সরকার খক্তনা অফবা লৈঙাক সাসন লৈহনবা ঙমগনি। বিরোধিগী অপুনবা মহা বিকাশ অঘারিবু হুন্দুনা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়-রাজ্য অসিদা এল্লাইয়েন্স অসিনা মরুওইবা চাডখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া পন্দুনা লৈহল্লে। প্রধান মন্ত্রিনা নাসিকতা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদসু শরুক য়াখি।

সিট ৮১ লৈবা ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা থা অসিগী ১৩ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৩ দা ভোট থাদনগনি। কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ইন্দিয়া ব্লোক্কী মীরেপকীদমক সিমদেগাদা পাঙথোকবা মীখলগী রেল্লিদা শরুক য়াখি। রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়-ঝরখন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা সংবিধানবু কনবা পান্থা অমসুং থুগায়বা পান্থা অনিগী মরক্তা লান্থেংনবনি।

বি.জে.পি. ঝরখন্দ এসেমব্লি ইলেক্সনগী ইন-চার্জ অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহানসু মনোহরপুরদা পাঙথোকপা মীখলগী মিতিনদা শরুক য়াখি।

অনিশুবা তাঙ্কক্তা বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ গী ভোট থা অসিগী ২০ দা থাদনগনি। ভোট মশিং থা অসিগী ২৩ দা থিগনি। মরক অসিদা, তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৮ গী মরক্কী মীখল অমসুং কেরলাগী ৱায়ানর পার্লিয়ামেন্টরি সিট অমসুং মহারাস্ত্রাগী নন্দেদ লোক সভা সিটকী ভোট খোম্বগী থবকসু খম থেংনা কল্লে।

**ত্রাইবেলঃ** কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রি-জ়য়েল ওরামনা হায়রি-মহাক্কী মন্ত্রালয়না ত্রাইবেল জাতিশিং অথুবা মতমদা চাউখৎহন্নবা হোৎনরি।

গুৱাহাতিদা নুমিৎ ৮ নি চথুগদবা পুরভোতর আদি মহোতসব হৌদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-ত্রাইবেলশিংগী য়াইফনবগীদমক মহাক্কী মন্ত্রালয়না বজেট এল্লোকেসন হেনগৎহল্লে। মহাকা হায়-হন্দক্কী চহি অসিদা ত্রাইবেলশিংবু পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগীদমক্তা লুপা কোতি অহুম মখায় হেন্না চাদিং তৌগনি। মসিগী মথক্তা ত্রাইবেলশিংনা নমা খুন্দাবা মফমশিংগী লম্বী কিলোমিটর লিশিং ২৫ শেমগৎলগনি। ঙসি হৌদোক্লিবা পুরভোতর আদি মহোতসব অসি নেসনেল ত্রাইবেল ফেষ্টিবেল অমনি। মসিনা ত্রাইবেলশিংগী কালা সংস্কৃত্তি, চিঞ্জাকা, খুৎ-শা হৈবগী পোৎথোকশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবনি। কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয় অমসুং ত্রাইফেদনা পুন্না শিনবা মহোতসব অসি থা অসিগী ১৫ দা লোয়শিনগনি। মোহোতসব অসিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা রাজ্য ১৩ দগী লাকপা খুৎশা-হৈরবা আর্টিসিয়ানশিং, মহৌশাদগী চৎনরক্লবা নাৎ অমসুং কালা সংস্কৃতি, জগোই ঈশৈ, হিদাক লাংথকনচিংবা উৎকনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ঙাংবম অমুখোম্বদগী--**

**কাং (এল)ঃ** ৱালিদা ৱাবগাই কাংশঙদা চথরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল লিখ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্কাটর

ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বোল কাংখুলনা য়াইস্কুল কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৩-১২ দা থোইখ্রে।

হয়েং ক্লাসা (এ) গা ক্লাসা (বি) গা শান্নগনি।

**মৈরাবা (এল)ঃ** তেলঙ্গানাদা চথুরিবা এন.এম.দি.সি. তেলঙ্গানা ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা মনিপুরগী বেদমিন্টন শান্নরোই-মৈস্নাম মৈরাবা লুৰাং সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী লৌরেংবম লৈকাইদা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল এস.দি.পি.ও. চিংথাম অনন্দকুমার মেমোরিএল ভেটেরিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা এন.কে.ভি.এফ.সিনা ই.এম.ভি.এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বসাইনা এম.পি.এস.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**রেসলিংঃ** উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা লৈবা সাই এন.সি.ও.ইদা চথুরিবা নুপা অমসুং নুপীগী চহি ১৭ অমসুং চহি ২০ গী মখাগী ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই রেসলিং টুর্নামেন্টতা মনিপুরগী রেসল্লরশিংনা পুন্না তকমান ৮ লৌরক্লে।

এস. চাউবা চনুনা কিলোগ্রাম ৫৯ গী কাংলুপ্তা সনাগী তকমান ফংলে। কিলোগ্রাম ৫৩ গী চহি ১৭ মখাগী কাংলুপ্তুনা কে.ঐচ. থোনবা চনু অমসুং চহি ২০ মখাগী কিলোগ্রাম ৫০ গী কাংলুপ্তা কে.ঐচ. লৈচন চনুনা লুপাগী তকমান লৌরক্লে। এল. জেসিকা চানু, এম. দিপা চনু, ই. বিদ্যাসাগর সিংহ, এস. তোমথিন মীতৈ অমসুং এন. তাইসন সিংহনা তোঙান তোঙানবা ৱেট কেটেগোরিশিংদা লুপাগী তকমান লৌরে।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর সিক্সতিন বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ ত্রোফি ২০২৪-২৫ ক্রিকটে টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লিগ রাউন্দ মেটচতা কে.এ.এস.সি-খুমিদোকনা য়েসদান-নিংথৌখোংবু ৰিকেট-৪ দা থোইখ্রে।

**টেনিস (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনদুনা চহি ১২ অমসুং চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী অনিশুবা য়ুথ ফুটবোল লিগ, থা অসিগী ১০ দগী দি.এস.এ. প্লে গ্রাউন্দদা হৌরগনি। লিগ অসিদা পুন্না টিম ৭ না শরুক য়াগনি।